ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯴, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ২৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২০৯ শুবা মশীং

মণিপুরগী কলচরেল য়ুনিভর্সিটি

কলচরবু নুংশিজবা মীয়ামগী মিৎয়েং তঙাইফদ্রে

চহী খরগী মমাঙদগী হৌনা কলচর অমসুং স্পোর্টসনা মণিপুরবু মালেমদা মশক তাকই হায়না ফোঙদোক্লদুনা লাকই। তশেংনমক্কী হায়রুরগসু ইন্দিয়াদা মণিপুরনা স্পোর্টসকী লমদা মাঙজিল থাজরগসু মালেমগী ওইনা পান্নরকপদদি অদুক হাক্লা মশক নাইবা লৈবাক অমা ওইরে হায়না লৌবমক্তি লানগনি। অদুবু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না অমসুং মণিপুরী মচাশিংনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা মীথোই মীহেল্লকপা শান্নরোয়শিংবু অৱাংবা থাক্তা থাগৎপা ফোঙদোক্লে। মখোয়দা তেংবাঙ শেল পীবদা নত্তনা মখল-মখা কয়াগী খুদোংচাবা পীদুনা লাকই। ওলেম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরকপা শান্নরোয়দা লুপা ক্রোর অমা পীগনি হায়না লাউথোকই। শিলভর মেদল ফংবা অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ফংবশিংদসু য়াল্লবা শেনফমশিং পীগনি হায়না মাঙজৌননা লাউথোক্তুনা মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎলি। মখোয়না লৈঙাক্কী থবক চঙবদসু চুনবা মখলগী থবক পী। মালেমগী মমিং লৈরবা নুপীগী বোক্সর মেরি কোমদা অথিংবা, লোনা য়াদবশিং পূন্নমক কোমথোক্লগা হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা এস পিগী ফম থিনে দাকই। কায়নথংদা মহাক বি জে পি লৈঙাক্লা রাজ্য সভাগী এম পি ওইনা হাপখি। অসুম্না ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিং অয়াম্বা লেম্না মাঙদে। মখোয়দা লৈঙাক্লা খুদোংচাবা কয়ামরুম পী অমসুং শেনফম কয়ামরুম পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা ফংহল্লি। মসিমক মণিপুর লৈঙাক্লসু চপ মান্নবা মিৎয়েংদা থবক তৌই। অদুবু মণিপুর মশক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কলচরেল এক্টিভিষ্টিশিংদদি মণিপুর লৈঙাক্কী মিৎয়েংসি অদুক হাক্লা শানবা উদে। মখোয়দা লৈঙাক্কীবু ওইরো, মণিপুরগী মীয়াম্নবু ওইরো শেল থুমগী মতেং পাঙবদগী হৌরগা হীরম অমত্তদা মসিমদি খুদোংচাবা নিংথিজনা পীরে হায়বা লৈত্রি। মরম অদুনা কলচরদা ঙাওজবা মীওই কয়ানা মণিপুর মশক তাকপদা কলচর হায়বা ৰাহৈসি য়াওবীগনু হায়না পূক্নিং নুংশিনা হায়নরকপা য়াওরবনি। মণিপুরবু মশক তাক্লিবা কলচরবু য়োকখৎনবা হোৎনরিবশিং লৈবাক অসিগী অৱাংবা থাক্কী ফমথোল কয়ামরুম পীবদি য়াওখ্রে। মখোয়দা লম্প-শম শেনফম খরা পীদুনা ইকায়খুম্নবদু নত্তনা মখোয়গী হিংননবগী পুন্সি লন্বী অমা ফাওবা শেন্বীবগী ফীভমদি হৌজিকসু উদ্রি। মণিপুরগী মশাগী ওইজবা কলচরেল পোলিসি লৈজরে। পোলিসি অসিদা আর্ট অমসুং কলচরগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা মীংচৎ পুরকপা অমসুং থৱায় য়াওনা হোৎনরিবশিংদা মতেং পীনবা ৰাফম য়াওরগসু থবক্তা ওন্থোকপগী ৰাফমদি হৌজিকসু লৈত্রি হায়না লৌবা য়াই।

মণিপুরী খুন্নাইদা কলচরনা লৌরিবা মশক নাইরবা ফিদা অসি শক খঙদুনা মসিবু য়োকখৎননবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৫দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর লিংখৎখি। য়ুনিভর্সিটি লিংখৎখিবা অসি কেবিনেটতা পুথোক্লবা তুংদা ষ্টেট এসেমব্লিনা লো অমা শেল্লগা চলাইবা হৌখিবনি। ষ্টেটকী ওইজবা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অসি হিংহনবা নৎত্রগা হিংহন্দবা হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্লা শেল থাদবা নৎত্রগা থাদদবগী মখা পোল্লি। হৌখিবা কুমজা ২০১৬কী থয়াইদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী অহানবা বেজগী মহৈরোয়শিং ফার্ষ্ট সেমিষ্টরদা মিং চন্দুনা মহৈ তম্বীবা হৌখি। অহানবা ফেজগী মহৈরোয়শিং অদু হৌজিক হৌজিক অনীশুবা সেমেষ্টর কাখ্রে। হাংদুনা লৈহৌবা অহানবা সেমিষ্টর অদু অনৌবা মহৈরোয় ১১০ হাপচিন্দুনা অপূনবা দিপার্টমেন্ট ৮দা মহৈ-মশীন তম্বীনবা মীং চনবনচিংবা লোইখ্রে। অদুবু অৱাবদি মহৈরোয়শিং লাইরিক তম্বীগদবা ওজাশিং থা ১০গী তলব পীবিদ্রে হায়দুনা ক্লাস বোয়কোট তৌখ্রে। অঙকপা মতৌ অমদা য়ুনিভর্সিটি অসি মণিপুর লৈঙাক্লদি লিংখৎপীরগা অহানবগী ওইনা শুপ্লতগী লুপা লাক্ষ ৫০খক পীখিবদগী হেন্না ঙসি ফাওবা লুপা অমগী শেনফম লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফংবা লৈত্রি। তশেংনমক্কীদি ষ্টেটনা লিংখৎপা য়ুনিভর্সিটি ওইবা মরম্না সেন্ট্রেল ফাইনান্সিএল রুলগী মতুং ইন্না মখোয়না গ্রান্ট ইন এইদ পীগদৌরিবা অসি মেন্দিটরি বোদি নৎত্রগা ষ্টেট্যুটরি বোদি নৎত্রগা রেজিষ্টর সোসাইটি এক্টকী মখাদা চলাইবা সোসাইটি অমদনি। হৌজিক লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটি অসি মেন্দিটরি বোদিনি। মরম অদুনা চহীগী ওইনা য়ুনিভর্সিটি অসি হিংনবা শেল থাদবা হায়বসি তঙাইফদবনি। অদুবু হৌজিক্তি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী লৈঙাক্লা য়ুনিভর্সিটি অসিদা শেল থাদখিদ্রে। মসিগী মরুওইবা মরম থবক হাপ্পগী ৰাথোক্লনি হায়না লৌনরি। থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী এক্ট মতুং ইন্না থবক হাপ্পা অমসুং লৌবা হায়বসি য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিগী থৌদাংনি। তৌবদদি গ্রান্ট ইন এইদ পীরিবা লৈঙাক্তা মাঙজৌননা ওজা হাপ্পগী অয়াবা অমসুং অতৈ মচাক মথুমশিং শেমগৎপগী মতাংদদি লৈঙাক্তগী মাঙজৌননা অয়াবা লৌফম থোকই। হৌজিক্তি নাকল অনী মুক্লবদৌনা তৌরকপদগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী মরায়বক তম্বা ঙমদ্রে। ওজাশিংনা ক্লাস চঙলক্তবা নুমিৎ ১০নি রোম হৌখ্রে। লৈঙাক অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওথোরিটিগী মরক্তা মুক্লরকপদগী য়ুনিভর্সিটি অসি হিংগদ্রা নৎত্রগা শিগদ্রা হায়বগী ৰাকৎ মরকসিদা আর্ট অমসুং কলচরবু নুংশিবা, কলচরেল এক্টিভিষ্টশিংগী মিৎয়েং চঙহন্নীংই। মখোয়না মণিপুর লৈঙাক্তা অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওথোরিটিদা তৌগদবা থবকশিং অদু করিনো অমসুং ৰাথোক অসিগী ৰারোইশিন পুরক্কদগে হায়বদু পাউতাক পীবা মতম য়ৌরে। কলচরবু নুংশিজবশিংগী মিৎয়েং তঙাইফদে হায়জনীংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুরগী সী এমদা অফোংবা চিঠি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর

থোইদোক্লা ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুরগী সী এমলক্তগী খ্বাইদগী নহাসু ওইরিবা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্ননা লৈহৌরগদবা অরংবা থৱানমিচাক অমগুম ঙসি ঙসিমক ঙাল্লিবা মীং ওইনা পঞ্জরবদা নোংথোম্বম বিরেন অমদি মহাক্কী লৈঙাক অসিগী থৌরাং থৌশিল কয়া মীয়াম্না অপেনবা পোক্লরি। মসিদা থমজনীংবা ৰাফম অমখক্তংদি মণিপুরগী ওইনা ইন্দিয়াগী অতৈ রাজ্যদা ফংনখ্রবা তরুকশুবা আর ও পি ২০১০ ফংহনবীদুনা হৌজিক তরেৎশুবা পে পীবিনবা তকশিন্দুনা ওক্টোবর ১৭, ২০১৭কী ইমপেক টি ভিগী মনুং হুৎনা খন্না নৈনবদা য়াওরকখ্রে। মসি সেন্তরগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হৌখিবা লোকল পাউচেদা একাদেমিক ষ্টাফ অপূনবা চৎননবা হায়রকখিবা মতুং ইন্ননি। মসিদা কুমজা ১৯৮০গী ওক্টোবরগী অহানবদগী গ্রান্দ পীবিদুনা লাকখ্রবা মণিপুরগী এদেদ স্কুল ৬০৫ অসি চহী ৩৮ লৈঙাক্কী ওজা অমগা এদেদকী ওজাশিংগা করিসু খেন্নবা থমদনা অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা পে রিভাইস লোইনা ফংখিবনি। অদুগী মথক মমাঙ মমাঙগী লৈঙাক্লা দি এ, এস সী এ, হাওস রেন্ট, টি এ, দি এ অসিগী মথক কুম্মৈ হরাউগী বোনস য়াওনা ফংহনবীরম্মী। অদুবু তরুকশুবা আর ও পি য়াওনা পূন্নমক কোংগ্রেস লৈঙাক্লা চহী ১৫ অসিদা ককথৎতুনা চাকথুং অমফাওবা থুংহনবীদবা অসি হৌজিক তরেৎশুবা পে রিভাইস অমুক লাকখ্রবা অসিদদি ঐখোয়বু অসুম নমশিন্দুনা থন্বীগদৌরিব্রা? রাজ্য অসিদা এদেদ ওজাশিং অসিদগী হেন্না লাইবক থীবা অসিবু কদাইদা লৈরিবগে? ঙসিগী এদেদ এপ্রুভ ওজাশিংগী থৌদাং চহী ৩৮ অসিদা হনগৎনা য়েংবীরবদি অমুক্তা হেন্না নুংশিফম থোকই। অমুক্তা চহী য়ামশিল্লক্তুনা শূবা চৎপা ঙমজদ্রবা পুন্সি নুমিৎ তাগদবদগী ঙাইরবা ওজা কয়া ট্রিপল বেনিফিট ফংহনগনি হায়না কুমজা ১৯৯২গী দিসেম্বর ২৮দা মণিপুর লৈঙাক্তা য়ানচে ইনবিখ্রগা মদু চৎনহন্দনা মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক্লা থমজিনখিবনি। শুপ্লগী লুপা ২০০০ মুক ফংলগা থবক্তগী পোথারবা চহী য়ামশিল্লক্তুনা মমিৎ-মনা চোইরবা অৱাবা কয়া খাঙজরকখ্রবা ওজা কয়া অসিগী ট্রিপল বিনিফিট অসি অতোপ্পা এরেঞ্জ অমা ঙসিগী মশা খিংবা থবক তৌবদা অকিবা য়াওদবা সী এম অমদি মহাক্কী লৈঙাক্লা শোয়দনা তৌবিরক্লনি হায়বগী আশা অমা তৌজরি। পূন্নমক অসি ইন্দিয়াগী অতৈ রাজ্য খুদিংদা এদেদকী বিনিফিট অসি হান্ননা ফংহনখ্রবনি। এদেদকী ওজা পূন্নমক্লা অনৌবা লৈঙাক লাকপা অসিদা অনৌবা আশাগী ময়োন চোঙজরিবনি। মসিদসু ময়োন য়ৈথৎপীবগী মওং লাক্লবদি এদেদকী ওজা খুদিংমক হিংবগী হক মৎপীরবা অতোপ্পা লমদগী লাকপা রেফ্যুজি অমগুম লৌবিরে হায়বা খনজবগা লোয়ননা হিংবগী আশা উদ্রবা মীওইনা করি তৌবা তাবগে হায়বদু থিন্থদনা খন্নফম থোক্লে। মসিদা ইকায়খুম্নজরিবা সী এমনা হীরম অসিদা পূক্নিং খজিক্তং থিংজিনবীরবদি এদেদ স্কুল ওজা পূন্নমক পোকপগী মহয় য়াল্লে খনজগনি।

অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ, ককচীং খুনৌ

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১। মখাগী ৰাহৈ পূংবা অনী অসিগী ৰাহন্থোক পীয়ু।
(ক) নাইনু-কিশি (খ) নৌহা-খোংফাং।
২। মৈতৈ নিংথৌ পোকপীশিংগী হৌরকফমগী ৱারী ইবা ‘চাদ লাইহুই’ কৌবা লাইরিক্তু কনানা ইরম্বনো?
৩। “মীগী মরোল লোনবদি/ঐগী অৱাবা ইজবদি/করম্বা ৰাহৈনা ফোঙসিগে।” পরেংশিংসি মণিপুরগী নিংথৌ বুধচন্দ্রনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং করি কৌই?
৪। “নঙগী সমাজ, নঙগী ধর্ম্মদুনা ঐগী ইচাগী পুক পুবীবরা? সমাজ হায়বসিদি অশিবনি, থৱায় পান্দবনি।” পরেংশিং অসিনা নিংঙোম্বম সুনিতানা ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। মেমচৌবীগী শৈরেং লাইরিক ‘অন্দ্রোগী মৈ’ হায়বদু হিন্দীদা হন্দোকপদু কনাননো?

মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ধুম-ধামদা লোইশিনখ্রবা দিৱালী অমদি নিংঙোল চাক্কৌবা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৬১

জিতেন নামৈরাকপম

হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা খুদিংগী চহী কয়া লিশাং শিৎনা চত্থরক্লিবা মৈতৈ/মীতৈশিংগী খ্বাইদগী চাউরবা কুম্মৈ নিংঙোল চাক্কৌবা মায় পাক্লা পাঙথোক্লদুনা লোইশিনখ্রে। পূন্না ইমুং অমদা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরম্বদগী মতমগী মতুং ইন্না মায়কৈ ফাংনা য়ূম্নাক শাগৈ ওনখ্রবী নিংঙোলশিংবু মবুং মৌপ্বা, মপাবুং, মখুরা, মতোন্নচিংবনা মপাম লমদমদা নুংশিনা কৌদুনা চামিন থকমিন্নবগী থৌরম অসি অতোপ্পা ফুরুপ কয়া অমদসু শন্দোকখিদুনা ঙসিদি মণিপুরখক্তা নত্তনা মপানগী লমদম কয়াদসু পাঙথোক্লরক্তুনা খ্বাইদগী হেন্না চাউরবা কুম্মৈ অমা ওইরক্লে। কুম্মৈ অসি ঐখোয়গী ওইনদি থম্মোয় মকা লাম্বা, মোমোন মীনোক্তা লোয়নরবা পূক্নিং ৰাখল খ্বাইদগী নুংঙাইরবা কুম্মৈ অমনি। নুমিৎ অসিদা লায়রবা, ইনাকখুনবা হায়বগী খেন্নবা থমদনা পূন্নমক হরাউমিন্নবা নুমিৎ অমনি। কুম্মৈ অসি কয়ামুক হেন্না চাউবগে হায়ববু নুমিৎ অসি লাক্কদৌবা থা অমরোম ৰাৎলিঙৈদগী হৌনা য়ূমথোং খুদিংমক্লা শেম শাদুনা লৈনরবনি। নুমিৎ ৪/৫নিগী মমাঙদগী হৌনা মরুওইনা ইম্ফাল ময়োলগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মাগী মাগী অপাম্বা পোৎ চৈ লৈনবা হোৎনবদা মী চিক্লা চাইন ঙমদনা তিল্লিবা অদুনসু তাক্লি। পোৎ চৈ লৈনবা নুমিৎশিং অদুদগী নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ ফাওবদা ইম্ফাল ময়োলদদি ট্রাফিক জাম ফজনা ওইখি। তেল্লবা মফম খরা লাম্থোক্লবা হোৎনবদা পুং ১/২ হেন্না চঙবা ফাওবা য়াওখি।

নিংঙোল চাক্কৌবা হৌরকখিবগী ৱারী তেল্লবা কলম অসিদা অমুক হন্না ইরুদ্রগসু মীয়াম্না ইখঙ খঙনরে। ইনিংথৌ পাখংবগী হাক্তক্তগী লাইস্না, পোইরৈতোন মতমদগী পিবা চাক্কৌবা হায়গদ্রা মবুং মৌপ্বাশিংবু নিংঙোলশিংনা মপুরোইবগা য়ূম পানমিন্নরিবা য়ূম য়ূমদা কৌদুনা চাক্কৌরম্বদগী মহারাজ চন্দ্রকৃতিগী হাক্তক্তগী নিংঙোলশিংবু মপামদা কৌদুনা হাউরবা মথেল লুকোই শেমদুনা হরাউ তয়াম্না চামিন থকমিন্নবা, নিংঙোলশিংনসু ইচম চম্বা হৈ-রা, ক্বা খরা পুরগা চাকচা তোক্লবা মতুংদা চামিন্নবা, মবুং মৌপ্বা ওইবশিংনসু অঙন্বা ইয়োংগী ওইবা পোখোক খরা খুদোল তৌবগী ৱারী পূন্নমক ইখঙ খঙনরবা মক্তনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, পীক্লিঙৈ, হাফপেন শেৎলিঙৈগী মতমদসু ইমাগী মতুং ইন্দুনা নিংঙোল চাক্কৌবা চৎলকখি। লৈজবা ফিরোল খরা নৎত্রগা অনৌবা ফুরিৎ, খোঙগ্রাউ, খোঙউপ তোংদুনা হরাউ নুংঙাইনা অপোকপী ইমাগী হৌরকফম ওইরিবা অবোক, ইপুবোক, মামা, ইনেখোয় লৈবা মপাম লমদম তান্না চৎখিবদু নীংশিংলকই। অপোকপীনা পুরিবসু ইচম চম্বা হৈ-রা খরা, লফোই, কমলা, কবোক, হৈবোক, ক্বানচিংবা পিথ্রাই কোম্পাক নৎত্রগা লীগী পোল্লাংদা হাপ্তুনা পুবখক্তনি। অবোক, ইপুবোক, মামশিং অমদি অপোকপীগা পোকমিন্নবা ইন্দোমচাশিং লোয়ননা মচাশিংগা পূন্না মথেল লুকোয় খরা হরাউ তয়াম্না চামিন্নখি। চহী অমগী মনুংদা অমুখক্তং থোকপা থৌদোক অদুগী মহাউ ওন্থোক্লা নুংঙাইনা লৌমিন্নখি। অৱা-নুংঙাইগী ৱারী শামিন্নদুনা, মাগী মাগী ৱারী লীমিন্নদুনা নোক-খেদুনা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইবা নুমিৎ ওইনখি। মবুং মৌপ্বা ওইবশিংনসু খুদোল ওইনা তৌরকখিবা ইয়োংগী ওইবা ফি মতেক অমা, ফনেক অমা করি’মাদু অসুক্কী মতিক মমল য়াম্না লৌনখি। দক্ষিনানি হায়দুনা অঙাং ওইরিবা ঐখোয়দা শেল অচোয়বা নৎত্রগা লুপা ১ চৎপী/২ চৎপীগী চেগী শেলশিং অদুখক্তা ফংবদা হরাউনখি। মথংগী চহী লাকপদসু হেন্না হেন্না নুংঙাইরবা নিংঙোল চাক্কৌবা লাক্কনি খন্নখি।

অদুবু হৌজিক্তি কদায়! নিংঙোল চাক্কৌবসি মওং অমা তৌখৎলকখ্রে। পুমওন ওন্নবা মায়কৈরোমদা চৎলব্রা খল্লক্লে। নিংঙোল চাক্কৌবগী মমাঙদগী হৌনা দিৱালী হৌদ্রিঙৈ থখায় অমরোমগী মমাঙদগী জ্বারদা থৱায় লুপচবা নিংঙোল-পিবা মথা মথা থোরকখ্রে। দিৱালীদা শেল য়াম্না য়াম্না থানবা জ্বারদা শেল য়াম্না মাঙনবগী নুংঙাইতবা পাউ থেংনখি। মচল-মচে চাক্কৌবদা খুদোল পোৎ পীনবা পোৎ লৈবা চৎখ্রগা দিৱালী খাউফমদা চঙলুদুনা অরৈবমখৈ থাদোকখিবদগী কোক শাবা মীওইশিং থেংনখি। চাক্কৌবা তারগদি খুদোল পোৎ পীবা হায়বসি মশানা তারবা ৰাফম ওইবনা মীঙোন্দগী পুবরা-লঙবরা তৌরগা ঙম্না ঙম্নববুদি হোৎনরমগনি হায়ববু নিংঙোল চাক্কৌবা লাকপা খুদিংগী দিৱালীগী লায়না অসিসু খঙহেন হেঞ্জিনবগুম উরকখি। খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইতবা সিন অমা হায়রগদি নুপীনা দিৱালী খাউরগা নুপীতনা শেল লৌশিনবা, তম্বা, নুপীতনা পুমকোয় কোয়শিন্দুনা দিৱালী শান্নরম্বা মফম কয়া থেংনরকখি। মদুমুক ঙকপা ঐঙোন্দা লৈখিদে। মরমদি কৈরোয় লৈকায়, ইমুং মনুং অমদি পূন্নমক্লা হেক্তা য়ারবগী মওংদা নুপীশিংতনা পূনশিল্লগা দিৱালী খাউগৎলকপা হায়বসি ফজনীংঙাই করিসু লৈতে। মণিপুরী নুপীশিং মরুওইনা মৈতৈ/মীতৈ নুপীশিং শান্ন-খোৎনবদা, জগোয়দা, ঈশৈদা, লাইরিক হৈবদা, কম্পিটিটিভ একজামিনেসনশিংদা মীকোক থোংবদা, মথৌনা মরীংজেল লৈবদা মণিপুরগী ৰাংমদা লৈবা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা শকখঙবিরি। মৈতৈ/মীতৈ নুপীগী থৌনা লিংজেল হায়দুনা ইকায়খুম্নবীরি। মরীংজেল লৈ হায়বগী মতিক মীমাং থোক্লা জ্বার শান্নরকপা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চারক্তুনা মীমাং থোরকপা হায়বসিদা লেমজনীংঙাই শুকলৈ লৈতে। মাগী মাগী মচা-মশু, মচল-মচেশিংনা দিৱালী খাউগৎলকপদা অথীংবা পীবিখিদবা মবুং-মৌপ্বা, মমা-মপা ওইবশিংদু তশেংনা নুংঙাইতবা পোকখি। হন্দক্কী চহীগী ওইনবুদি হৌখ্রে। তৌবতবু মথংগী চহী লাকপদদি নুপীনা দিৱালী খাউহল্লগা ময়াম ওমশিন্দুনা থাবগী চৎনবীসিমদি মুখৎলসি হায়নীংই। নুপীশিংতগী ৰাসু নত্তে, নুপাসু ওইসনু দিৱালীদা শেল চাউনা চাউনা থানদুনা থাদোক্লবি, খোক্তৎনবীগী চৎনবী ওইরক্তুনা জ্বারগী লৈবাক ওইরক্তনবা ঐখোয় পূন্নমক্লা কনমিন্ননবা হোৎনমিন্নরসি। জ্বার হায়বসি মীপুম খুদিংমক্লা পান্নবা গেম্বলিং সিষ্টেম অমদি নত্তে। ৰাখল তারবা জ্বার পামজদবা কাঙবুদি দিৱালী খাউফমদা চঙলুদুনা শেল থারুবা নত্তে। ফম্না য়াম্না সিভিল ওর্গেনাইজেসন কয়ানসু ফত্তবা থবক তৌরগুমসি হায়না লাউজরগসু চহী খুদিংগী ঈরাং হন্থরকপগী মহুত্তা হেনগৎলকপসি তশেংনা নুংঙাইজদে।

ঈরাং হায়রগা নিংঙোল চাক্কৌবগী মপাম লমদমদা পোৎ চৈ পুরগা চৎপদা শেঞ্জাউ থাদগুমসি, দক্ষিনাগী লমজেল তান্নরগুমসি হায়না পাউচেদা, রেদিও অমদি টেলিভিজনগী খূথাংদা ফম্না য়াম্না লাউজরগসু ইনবিখিবা কম্নাবু য়াওবগে? হায়র-হায়রগা হেন্না হেন্না হেনগৎলকই। চহী ৩০/৪০গী মমাঙদা নিংঙোলশিংনা মপামদা চাক্কৌবা চৎপদা ইচম-চম্বা হৈ-রা খরা পুরগা চৎনরম্বদু ঙরাং নহান্তা থোকখিবা কুম্মৈ অদুদা কনানসু চৎনবী অদু ইনবিখিদে। লফোই, সেম, যুবী, কমলা, গুলা কৌতাগী মথক্তা জাৎ-জাৎ অমুক হাপচিল্লকখি। অচাথাও বোট্টল-বোট্টল, শঙ্গোম পেকেট, চিনি, চামনা, হৱাই মখল মখলশিংগী মথক্তা ঙারি পেকেট-পেকেট, অচা অথক পুরকপখক্তদা গাড়ী পীক থনবমখৈ পুবা য়াওনখি। মচল মচেশিংদা চাক্কৌবগী খুদোল তম্বদসু ইচম চম্বা ইয়োংগী পোখোক ফনেক, ফিরোলশিংগী মথক্তা মখল মখলগী ইলেক্ট্রোনিক আইটেমশিং, মীরমদগী পুশিল্লকপা মখল মখলগী পোৎলমশিং লুহোংবগী অউনপোৎ পীবগী মওংদা চৎখিবসু কোঙ্গায়নি। চহী খুদিংগী হন্থরক্তে, হেনগৎলকই। মসি মতম্না পুরকপা অওনবা ওইরম্বদি য়াই অদুবু হেনবদি হেনমনখ্রে। নিংঙোল চাক্কৌবা লাক্কনি খনবদা লৈজদবশিংদদি অৱাবা পোৎলুম অমা ওইরকপসি অফবা থবক্তি নত্তে।

অহানবা নুপী লান

খঙদোকমিন্নসি অমুক্তং : ৪০৯

হাওবম প্রিয়োকুমার

মালেমদা লৈরিবা নুপীশিংগী মরক্তা মীতৈ নুপীনা মমাঙঙৈদগী হৌনা পুমতোপ তোপ্পা মপাঙ্গল, মথৌনা, মরিংজেল, অখাং কনবা অসিনচিংবগা শাগোন্নদুনা লাক্লি। অদুবু মমাঙঙৈগী মতমদুগী খুন্নাইদা মীতৈ নুপীগী মফম মমিংতগী ওইনা কন্দুনা লৈরম্মী। ইমুংগী থবক-ইনখাং শূবা-নোম্বা, অহল-লমনগী থৌগল তৌবা অদুগা য়ূমদগী মপান থোক্তবা নুপীবু মতমদুগী খুন্নাইনা অফবা ফিদম্নফম ওইবী নুপীনি হায়না লৌনরম্মী, শিংথানরম্মী। মখোয়দা লাইরিক-লাইশুগী মঙাল থোয়না ফংনরমদে। নুপীনা লাইরিক তম্বা মাঙই হায়দুনা তম্নহল্লমদে। তম্বা তারবসু মহৈলোইহাঙদগী হল্লকপদা শেৎলু-চারুবা মফি-মরোল কোম্থোংদা হোংদোকহল্লম্লিবনি। মসিনসু ওইবা য়াই য়াম্না থেংনা কুমজা ১৮৯৮দা নুপীশিংনা তম্নবা বালিকা স্কুল মোইরাংখোমদা লিংখৎলি, মদুসু শুপ্লগী নুপী মহৈরোয় ১২ (তরানিথোই) খক তমখি হায়। অকোনবদা মহৈ লোইশঙদু মখা তানা লৈখিদে। অদুবু মোইরাংখোম এম ঈ স্কুল কুমজা ১৮৯৯ গী মার্চতা লিংখৎখি। মতমদুদা নুপী অয়াম্বনা ঙন্না ঙন্না ময়ূম-মকৈ পান্নরম্মী। চহী ১৩/১৪বু শুরবদি ময়ূম-মকৈ পানবগী লন্বীদা খোঙদানরে। মদুমক্লা মহৈ-মশীন তম্নবগী খুদোংচাবসু ইরৈ লৈনরমদবা ওইগনি। অদুবু মহৈ-মশীনগী মঙাল ফংদ্রবা, খুন্নাইনা নমথদুনা থন্বীরবা নুপী মখোয়না মীতৈ নুপীশিংগীদমক, খুন্নাইগীদমক মালেমদা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়রিবা বৃটিশকী মথক্তা কুমজা ১৯০৪দা লানগী মশক ওইরবা চাউরবা ঈহৌ-খোঙজং চঙশিনখি।

করিগীদমক দিসেম্বর ১২বু অনীশুবা নুপী লান হায়না শীংথানদুনা থৌরম পাঙথোক্লরিবনো? মসিনা তাকপদি মমাঙদা নুপীগী অতোপ্পা লান অমা লৈখ্রে তাকপনি। মদুবু অহানবা নুপী লান হায়না খঙনরি। অদুগুম্বা অহানবা নুপী লানন্না তুংদা নুপীশিংগী থৌনা-লিংজেল হেন্না চাউনা হাপকৎতুনা অহোংবা অমা লাকহনখিবদগী অনীশুবা নুপী লান ওইখিবনি, শেমখিবনি হায়বসি হায়দনীংঙাই লৈতে। অদুনা নুপী লান হেক হায়রকপদা অহানবা নুপী লান অসি অদুক্কী মরু ওইরক্লি হায়নীংই। হৌজিক খুন্নাইসিদা হৌগৎলক্লিবা মীরোল অয়াম্বনা অনীশুবা নুপী লানগী মরমদা চাউরাকপা করম্বা মতমদা থোকখি, করি মরমদগী মতৌ করম্না ওইখিবনো অসিনচিংবা পূন্নমক খঙনরি। অদুবু অহানবা নুপী লানগী মতাংদদি করি মরমদগী, করম্বা মতমদা অমদি মতৌ করম্না ওইখিবনো, থোকখিবনো হায়বসি অয়াম্বনা ইখঙ খঙনদবগুম তৌরি।

মণিপুরবু কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৭তা বৃটিশনা খুদুম চনশিনখ্রবা মতুং কুমজা অসিগী সেপ্তেম্বর ১৩দগী মেজর ঐচ সেন্ট পি মেক্সৱেলবু মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা হাপ্লক্তুনা থবক পুবা হৌখি। মেজর মেক্সৱেলবু মীতৈশিংনা বোর সাহেব হায়না খঙনৈ। ইনিংথৌ সুরচন্দ্র (কুমজা ১৮৬৬-১৮৯০) গী মজাইবেম্মা সনাতোম্বীবু বোর সাহেব মেক্সৱেলনা মাগী লোয়নবী ওইনা লৌশিনখি। মসিদগী বোর সাহেবনা মীতৈ মচাশিংবু লুনা চান্না তৌবগী মমি চাউনা তাবা হৌখি। বোর সাহেবকী মখা থাবা এসিষ্টেন্ট পোলিটিকেল এজেন্ট দনলোপপুনা ছোটো সাহেব হায়না খঙনৈ। ছোটো সাহেবকী মওং-মতৌ, লিচৎ-শাজৎপু মীতৈ মচাশিংনা কয়া পেন্নদে। মদুমক্লা মীতৈ মচাশিংনা মাবু নুংশিনদে। হায়রিবা পূম্বা ছোটো সাহেব মশাসু খঙজৈ। কুমজা ১৯০৪দগী জুলাই থাদা মৈহৌ লাংপোক কয়া অমা থোকখি। কুমজাসিগী জুলাই ৬তা খ্বাইরম্বন্দগী নুপী কৈথেলগী পোৎফমশঙ ২৮ শকখঙদবশিংনা মৈ থাদোক্লমখি। অদুগা জুলাই ১৫দনা ইনিংথৌ চুড়াচান্দবু লাইরিক তাকপী-তম্বীরিবা কেপ্তেন নুথাল অমসুং ছোটো সাহেব দনলোপ অনীনা লৈনরিবা বঙ্গলো অনীমক মৈনা চাকখি।

নাকল অমরোমদনা মৱা-মপুরোইবা মীতৈ নুপী মজাইবেম্মা সনাতোম্বীবু বোর সাহেবনা লৌখিববু মতমদুগী খুন্নাইনা ফজনা লৌনখিদে, পেন্নখিদে, য়ানীংদবা পোক্লখিবা ঙাক্তনি। লোয়ননা মজাইবেম্মা সনাতোম্বীগী লিচৎ-শাজৎপুসু পূন্নমক্লা তুক্কচনা লৌনখি। অদুবু খূৎশা থেক্তুনা মীতৈ মচাশিংনা বৃটিশ ফম্নাইবশিংগী অচেংবা তাঞ্জা ঙায়দুনা লৈরকখি। অসিগুম্বা মতম কুমজা ১৯০৪গী জুলাই ২৭তা মজাইবেম্মা সনাতোম্বীনা মকোক চীংলগা বোর সাহেবকী শুমাংদা জগোয় রাস ‘নিত্যরাস’ শান্নখি। মদুদা বৃটিশ অঙন্বশিং য়াওনা ছোটো সাহেবসু য়েংখি। জগোয় রাস তৌখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা কুমজা ১৯০৪গী ওগষ্ট ৪দা ছোটো সাহেবকী বঙ্গলো মৈনা তুম্না চাকখি।

মমাঙদা ছোটো সাহেবকী বঙ্গলো মৈ চাকখিবদুদা মীতৈশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবক অমত্তা লৌখৎখিদবা অদুনা মরম ওইদুনা অমুক হন্না মাগী ময়ূম্বু হন্না মৈ থারম্বনি হায়না ছোটো সাহেবনা লৌজখি। অসুম্না হৌজ-হৌজ য়ূম মৈ থাবগী থৌওংসিদা ছোটো সাাহেব অমদি বৃটিশ ফম্নাইবশিংনা বোর সাহেবতা ৰারৌ পুলৌবগী মীৎয়েং থম্বা হৌরকখি। বোর সাহেবসু মাগী মখা থাবা ফম্নাইবশিংনা মঙোন্দা ৰারৌবা লৈরে হায়বসি খঙই। ছোটো সাহেবকী বঙ্গলোবু অনীরক মৈ থাখিবগা মরী লৈননা মীতৈ মচাশিংবু চৈরাক পীনবগী পোরম য়াৎপা হৌরকখি। মৈনা চাকখ্রবা ছোটো সাহেবকী বঙ্গলো অদু মীতৈ নুপাশিংনা কবোদগী চীংশু উ লৌরুরগা শাগদবনি হায়না কুমজা ১৯০৪গী সেপ্তেম্বর ১৪দা বোর সাহেবনা হুকুম থোকখি। হুকুম অদুবু য়ানীংদে ককথৎপীয়ু হায়দুনা কুমজা ১৯০৪গী সেপ্তেম্বর ২৭তা বোর সাহেবতা ৰাকৎলুবদা য়ারক্তদুনা লৈবাক ৰাথোক ওইরকখি। হুকুম অদুবু শীংনরদুনা বোর সাহেবকী মথক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌখি। মদুদা নুপা অয়াম্বা ফাজিনখি। ফাজিনখিবা নুপাশিং থাদোক্কদবনি হায়দুনা য়াম্না কনবা ঈহৌ-খোঙজং নুপীশিংনা চত্থরকখি। বোর সাহেবকী থোঙ্গালদা নুপীশিংনা অকনবা খোঙজং লেপ্তুনা চত্থদুনা লাউ-খোঙখি। মসিবু লুচিংলিবী থৌনা ফবী খরগী মিং পল্লবদা (১) ইরুংবম ওংবী সমুজাওবী দেবী (২) ইরুংবম নিংঙোল ধবলি দেবী (৩) লৈশাংথেম খ্বাথাবী দেবী (৪) রাজকুমারি থরোসনা দেবী (৫) লাইশ্রম যুবতি দেবী অসিনচিংবা।

অদুগুম্বা খোঙজংদুদা সিফাই ময়াম থাদোরক্তুনা ময়ামদু তানখায়খি। মদুদা নুপী কয়া অাোক অপন নংনখি। অদু ওইদুনসু নীংহন্নবা তৌদনা নোংনা ফুদিৎ ফুনা চুথরক্লফাওবদা লেঙদনা লৈখি। মমৈথঙদা বোর সাহেবনা হান্নগী হুকুমদুসু লৌথোকপা তৌরোই লোয়ননা থবক শূহনবসু তৌহনখিরোই। অদুগা হুকুমদু হন্দোকপা তারবসু কূপ্পা ৰায়েন চত্থরগা হন্দোক্কনি হায়রকখি। অসুম্না চয়োল অমা ঈহৌ-খোঙজং চঙশিল্লিবা মনুংদা বৃটিশ লৈঙাক্লা বোর সাহেব মেক্সৱেলবু মণিপুরদগী হল্লক্লবা হুকুম (য়াথং) অমা লাক্তুনা মণিপুর থাদোকখি। লেট: কর্নেল জে সেক্সপিয়ারনা মাগী মহুৎ শিল্লগা পোলিটিকেল এজেন্টকী থবক পুবা হৌখি। লোয়ননা বোর সাহেব মেক্সৱেলনা ছোটো সাহেবকী য়ূম শানবা থোক্লম্বা য়াথং অদু ককথৎখি। অসুম্না য়াথং ককখিবদগী কুমজা ১৯০৪গী ওক্টোবর ৭তা খোঙজং লোইশিনখি।

মতমদুদা অমম্বা কা অমগী মনুংদা লৈবগুম খুন্নাইদুদা লৈরিবা নুপীশিংনা মখোয়গী মপাঙ্গল-মথৌনাতনা মালেমদা নুমিৎ তাবা লৈত্রবা বৃটিশকী মথক্তা হৌখিবা ঈহৌনা মতমদুগী মীতৈ নুপাশিংগীদমক, খুন্নাইগীদমক মায়ওং য়াখিবা অহানবা নুপী লান কাউথোকফম থোক্তে। মখোয়না মপাঙ্গল-মথৌনা পুথোক্তুনা অসুম্না খোঙজং চঙশিনবা য়াই হায়বসি উৎলমদ্রবদি অনীশুবা নুপী লান লৈরমদবসু য়াই। মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙফম থোকই।